# ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী ভারত বন্দনা বেঙ্গল, দিল্লি, পঞ্জাব, ওরিষা অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদা শোকহনখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা কৌখিবা ভারত বন্দনা ঙসি বেঙ্গল, দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, রাজস্থান, মহারাষ্ট্রা অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদা চাওনা শোকহনখ্রে।

ট্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্কর ক্রোর ২৫ রোমনা শরুক য়ারবা য়াই হায়খিবা ভারত বন্দ অসি গভর্ণমেন্টকী এন্টি-পিপল পোলিসিশিংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবনি। *আই এন টি য়ু সি, এ আই টি য়ু সি, ঐচ এম এস, সি আই টি য়ু, এ আই য়ু টি য়ু সি, টি য়ু সি সি, এস ই দব্লিয়ু এ, এ আই সি সি টি য়ু, এল পি এফ, য়ু টি য়ু সি* গুম্বা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ১০না তোঙান তোঙানবা সেক্টোরেল ইন্দিপেন্দেন্ট ফেদরেসনশিং অমসুং এসোসিয়েসনশিংগা লোয়ননা জনুৱারি ৮, ২০২০দা লৈবাক শিনবা থুংনা ষ্ট্রাইক অমা চথনবা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা লাওথোকখিবনি।

মরুওইবা ওপোজিসন কোংগ্রেস য়াওনা লেফ-ৱিং পার্টিশিংদা এফিলেট তৌবা নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ১০ হেনবনা ইকোনোমিক স্লোদাউননা মীয়ামদা থবক পীবদা হেন্না শোকহল্লিবা, ফোরেন দাইরেক ইনবেষ্টমেন্ট (এফ দি আই), দিস ইনবেষ্টমেন্ট, কোর্পোরেটাইজেসন অমসুং প্রাইভেটাইজেসন পোলিসিশিংগী মায়োক্তা ভারত বন্দ অসি কৌখিবনি।

ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা তলব ৱাংখৎপা, মিনিমম ৱেজ লেপ্পা, সোসিয়েল সেক্যুরিটি পীবা পূন্নমক্কী ওইনা চপ মান্ননা নুমিৎ ৫নিগী চয়োলগা মরী লৈননা ৱার্কিং ক্লাসকী পোইন্ট ১২গী দিমান্দ অমা পাংথোক্লবা তক্সিল্লি।

বন্দ অসিনা রাজস্থানদা বেঙ্কিং অমসুং রোদৱেজ সার্ভিসিশিংদা মচেৎ ওইনা শোকহনখি। জয়পুরদা লৈবা এল আই সি বিল্ডিং মপান্দা দেমোনষ্ট্রেসন অমা তৌখি। সেন্টর ওফ ইন্দিয়ান ট্রেদ য়ুনিয়স (সি আই টি য়ু)দা এফিলিয়েট তৌবা রাজস্থান রোদৱেজ ইমপ্লোয়ীশিংনা ভারত বন্দদা শরুক য়াখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৱার্করশিংনা কোলকতা অমসুং অতৈ টাউনশিংদা ট্রেন সার্ভিসশিং অকায়বা থোকহনখি। মফম কয়ামুক্তা দুকান অমসুং বেঙ্কশিং থোঙ লোনখি। বস, টেক্সি, ওটোরিক্সো চেনখিদে। অদুবু লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ভারত বন্দনা থোইনা অকায়বা পীখিদে। বেঙ্গলুরুসু ষ্ট্রাইক অসিনা শোকখিদে।

অদুবু মুম্বাইদদি সিটি অসিগী সিভিক ট্রান্সপোর্ট অন্দরটেকিং ওইরিবা বি ই এস টিনা কৌখিবা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক মখা চখদুনা লৈবনা পেসেঞ্জর লাক্ষ কয়া অৱাবা মায়োক্লখি। হেন্না ৱাংবা তলবকী য়াওনা দিমান্দ কয়াগী মতাংদা ঙরাংদগী হৌনা বি ই এস ইমপ্লোয়ী ৩২,০০০ হেনবনা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক চথরকখিবনি।

পঞ্জাবতা বস অয়াম্বা চেনখিদ্রে, পটিয়ালাদা লৈবা পাঞ্জাবি য়ুনিভসিটিদা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখি অমসুং য়ুনিভসিটি কেম্পসতা অতোপ্পা অমত্তা চংবা য়াহনখিদে। পাটিয়ালা, লুধিয়ানা, বথিনদা, হোসিয়ারপুর, জলনধর অমসুং অতৈ মফম কয়াদা দুকানশিং অমসুং অতৈ ষ্টাব্লিসমেন্টশিং থোঙ লোনখিবগী পাউ ফংই।

ওরিষা, তেলঙ্গনা অমসুং কেরলাদা ভারত বন্দ অসিনা শোকহনখি। বন্দ অসিনা তেলঙ্গনাগী বেঙ্কিং সার্ভিসশিংদা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহনখি। দুকানশিং অমসুং অতৈ ব্যুজিনেসশিংদি থোঙ হাংনখি। ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসশিং শোকখিদে। কেরলাদা থিরুভনন্তাপুরদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ত্রিজরি ব্রাঞ্চ অমদা বন্দ শৌগৎপশিংনা এটেক তৌখি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ট্রেনশিং থিংখি, লম্বীদা গাড়ী চেনখিদে।

ট্রেদ য়ুনিয়ননা কৌরিবা ভারত বন্দবু ওপোজিসন লুচিংবা কয়ানা শৌগৎখি। ত্বিট অমদা কোংগ্রেস লিদর রাহুল গান্ধীনা মোদি গভর্ণমেন্টকী পোলিসিশিংনা থবক ফংহন্দবগী মাঙ-তাকপা থোকহল্লে অমসুং গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা কম্পেনিশিং শোন্থহল্লে হায়খি।

# ইরাকতা লৈবা য়ু এস টার্গেটশিংদা টেহরানগী মিসাইল এটেকতা অমেরিকান টেরোরিষ্ট ৮০ শিখ্রে



*দুবাই, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
ইরাকতা লৈবা য়ু এস টার্গেটশিংদা টেহরাননা চখখিবা মিসাইল ১৫গী এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা অমেরিকান টেরোরিষ্ট ৮০ শিখ্রে হায়না ঙসি য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা ইরানগী ষ্টেট টেলিভিজননা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মিসাইলশিং অদু অমত্তা মরক থৎখিদে হায়না মখা তাখি।

সেনিয়ার রিভোলুসনরি গার্দস লিখুল অমগী ৱা পল্লদুনা ষ্টেট টিভিনা হায়খি, করিগুম্বা ৱাসিংটননা খূৎ হন্নবগী থবক লৌখৎলকপা তারবদি রিজন অসিদা ইরানগী মিৎয়েঙ মনুংদা অতৈ টার্গেট ১০০ লৈ হায়খি।

মিসাইল এটেকশিং অদুদা য়ু এস হেলিকোপ্টরশিং অমসুং মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট থীনা শোকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মিদ্দল ইষ্টতা হেন্না পাক চাওথোকপা লান অমা থোকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহল্লিবা য়ু এস দ্রোন এটেকনা ইরানগী কম্মান্দর অমা হাৎখিবদুগী লমন খুম্বা ওইনা ঙসি য়ুমশংকৈশাগী অঙনবা পুংজাশিংদা ইরাকতা লৈবা য়ু এসনা লুচিংবা ফোর্সশিংগী মথক্তা ইরাননা মিসাইল এটেকশিং চখখি।

য়ু এস মিলিটরিনা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী পার্সোন্নেল থম্বা য়ামদ্রবদা ফেসিলিটি ২দা ইরাককী মতমদা অয়ুক পুং ১.৩০ রোম তাবদা টর্গেট তৌরকখি হায়খি। পুন্না মিসাইল ২২ কাপলকখি হায়না ইরাকনা হায়খি।

শক্তি লৈরবা ইরানগী জেনরেল কাসেম সুলেমানিবু ইরাই নুমিৎতা হাৎখিবদুগী নুমিৎ কয়ানিগী অৱাবা ফোঙদোক্লবগী মতুংদা মহাক্কী অরোইবা লৈরোন চনবা মপুং ফানা লোয়শিনখিবগী চপ মান্নবা মতম অদুৱাইদা মীহাৎ অদুগী পাউখুম ওইনা ইরাননা মিসাইলশিং অদু কাপখিবনি। মদু হৌজিক লোয়শিল্লে অমসুং টেহরাননা লান অমা পামদে হায়না ইরানিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোল্ড ট্রম্পনা ত্বিট অমদা এটেশিং অদুদগী শিখিবশিং অমসুং অমাং-অতা থোক্লিবশিংগী চাং অমা য়েংশিল্লি অমসুং য়ুমশংকৈশাগী নুমিদাংদা মহাক্না ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্কনি হায়খি।

অহানবা উখিবশিংগী মতুং ইন্না য়ু এসকী মীওইশিং শিখিদে হায়না লিখুল অমনা হায়খি। অমরোমদা অতৈ য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়গী মত পীয়ু য়াখিদে। জর্মনি, দেনমার্ক অমসুং নোরৱেনা ইরাকতা লৈবা মখোয়গী ট্রুপশিং অমত্তা শিদে নৎত্রগা শোকতে হায়খি। ইরাকনসু মখোয়গী ফোর্সশিংদা মীশি-মীনা থোক্তে হায়খি।

ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ঙসি কোন্না ৱা ঙাংগদৌরি হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খি।

# য়ুক্রেনিয়ান প্লেন ইরানদা ক্রাস তৌখ্রে, ক্রু মেম্বর য়াওনা তোংখিবা মীওই ১৭৬ লোয়নমক শিখ্রে



*দুবাই, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
ইরানগী কোনুং টেহরানগী ইমাম খোমৈনি এয়ারপোর্টতগী হেক পাইখৎখিবগী মতুং থুনমক য়ুক্রেনিয়ান এয়ারলাইনর অমা ঙসি ক্রাস তৌখ্রে অমসুং মদুদা ক্রু মেম্বরশিং য়াওনা তোংখিবা মীওই ১৭৬ অদু লোয়নমক শিখ্রে হায়না ইরান ষ্টেট টেলিভিজন অমসুং য়ুক্রেনগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেন ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্সকী বোইং ৭৩৭ অদুনা এয়ারপোর্ট অদুগী মনাক্তা ক্রাস তৌখি অমসুং মৈবুলশিং ওইনা পোকখায়খি। প্লেন অদু ইঞ্জিন বেরা তৌখি অমসুং ক্রাস অদু টেরোরিজমনা থোকহনবা নৎতে হায়না থৌদোক অদুগী অহানবা ফংবা ই-পাউশিং পল্লদুনা ইরানদা লৈবা য়ুক্রেনগী এম্বেসিনা হায়খি।

য়ুক্রেন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হিংহৌবা অমত্তা লৈত্রে হায়খি। পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রু মী পূন্নমক্কী মরী-মতাশিং অমসুং মরূপ-মপাংশিংদা ঐনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না প্রসিদেন্ট জেলেন্সেকিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর আই আর আই বিনা মখোয়গী ৱেবসাইটতা প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্স অনী-ফ্লাইট দাটা রেকোদর অমসুং কোকপিত ভোইস রেকোদরগী মনুংদগী অমা ফংলে হায়খি।

এয়ারলাইনর অদুগী পাইলোট অমনা ইমর্জেন্সি অমা লাওথোক্লকখিদে হায়না ইরানগী এভিয়েসন ওফিসিয়েলগী ৱা পল্লদুনা ইরান মেদিয়ানা হায়খি।

য়ুক্রেন ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্সতগী ওফিসিয়েল ওইবা ৱা অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি। মসি কিয়েবতা লৈবা এয়ারলাইন্স অসিগী অহানবা মী শিবা ক্রাসনি।

পোকখায়বদা মৈ চাকপদু অসুক্কী মতিক শাথি, মদুদি ঐখোয়না করিগুম্বা রেস্ক্যু অমত্তা পাংথোকপা ঙমহৌখিদে। ঐখোয়গী এম্বুলেন্স ২২, বস এম্বুলেন্স ৪ অমসুং হেলিকোপ্টর ১ মফম অদুদা লৈরিবনি হায়না ইরানগী ইমর্জেন্সি সাভিসেসকী মকোক পিহেসিন কাউরিবননা হায়খি।

য়ুক্রেনগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ইরানগী ষ্টেট টিভিনা প্লেন অদুদা পেসেঞ্জর ১৬৭ অমসুং ক্রু ৯ য়াওখিবনি হায়খি। প্লেন অদুগী মথক্তা তোংখিবশিংগী মনুংদা ৩২ ফোরেনরশিংনি হায়না ইরান টিভিনা হায়খি।

এয়ার ট্রেকিং সার্ভিস ফ্লাইটরাদর ২৪ গী মতুং ইন্না প্লেন অদু চহী ৩ শুরবনি অমসুং বোইং ৭৩৭-৮০০ এন জি নি হায়খি।

ইরানদা প্লেন অমা ক্রাস তৌরে হায়বগী মেদিয়াগী পাউশিং কম্পেনি অসিনা খঙলে অমসুং অহেনবা ই-পাউশিং খোমজিল্লি হায়না বোইংগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি। প্লেন শাবা কম্পেনি অসিনা পুন্না মীওই ৩৪৬ শিখিবা ক্রাস অমগী মতুংদা মমাঙ চহীগী মার্চতা মখোয়গী ৭৩৭ এম এ এক্স ফ্লীট অদু পাইহনখিদ্রবনি।

ঙসি ক্রাস তৌরিবা ৭৩৭-৮০০ অসিদি সেফটিগী অফবা রেকোর্দ লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না পাইনবা মোদেলশিংগী মনুংদগী অমনি। মসিদা ৭৩৭ এম এ এক্সকী ক্রাসশিংগী মরম ওইহনখিবা সোফৱায়ার ফীচর অদু য়াওদে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা য়েংশিনবা ইন্টরনেসনেল রুলশিংগী মখাদা ক্রাস ইনভেষ্টিগেসন অসি ইরাননা লুচিংগদবনি। মসিদা য়ুক্রেনসু য়াওগনি অমসুং বোইং জেট অদু য়ু এসতা দিজাইন তৌবা অমসুং শাবা ওইবনা য়ু এসসু য়াওরবা য়াই। ইঞ্জিন শাবা সি এফ এম লৈরিবা ফ্রান্সসু ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা য়াওরবা য়াই।

# চিনা অমসুং পাকিষ্টান নেভিশিংনা অহানবা ওইনা অরাবিয়ান সি দ্রিলশিংদা সবমেরিনশিং পুথোক্তুনা শরুক য়াখ্রে



*বৈজিং, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
চিনা অমসুং পাকিষ্টানগী নেভিশিংনা মখোয়গী মতম পূম্বগী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ হেন্না কনখৎহন্নবা মরুওইরবা অরাবিয়ান সিদা নুমিৎ ৯নিগী এক্সরসাইজশিং পাংথোক্তুনা রিজন অসিদা চাইনিজ নেভিগী তাঙলবা অচৌবা মশক অমা উৎথোক্তুনা অহানবা ওইনা সবমেরিনশিং পুথোক্তুনা শরুক য়াখ্রে।

ইন্দিয়াগীদমক অরাবিয়ান সি রিজন অসি লানগী মীৎয়েঙদা য়ান্না মরুওই, মরমদি কান্দলা, ওখা, মুম্বাই, নহবা সেবা (নৱিমুম্বাই), মোরমুক, ন্যু মঙ্গালো অমসুং কোচি য়াওনা ইন্দিয়াগী মরুওইবা হিথাংফমশিং মফম অসিদা লৈ।

হৌজিক পাকিষ্টানগী দীপ ৱাটর গৱাদর হিথাংফম শেমগৎ শাগৎলক্লিবা চিনাগীদমক লানগী মীৎয়েঙদা মরুওইবা অমা ওইনা লৌরিবা নোর্থ অরাবিয়ান সিদা লৈবাক অনীগী অপুনবা নেভিগী এক্সরসাইজশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখিবনি।

গৱাদর হিথাংফম অসিনা চিনাগী জিনজিয়াং প্রোভিন্সকা অরাবিয়ান সিগা মরুওইবা কংফাল লম্বী অমা পীরিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০ হেনবগী চিনা-পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি) ফাওরগা শন্নহল্লি। চিনাগী সি পি ই সি অদু পাকিষ্টান ওকোপাই কাশ্মির ফাওরগা চৎকদবা ওইবনা ইন্দিয়ানা মদুগী মতাংদা চিনাদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তা গৱাদর অসি অফগানিষ্টানদা ইন্দিয়ান এক্সপোর্টশিং পুনবগী লল্লোন-ইতিককী লম্বী অমা ওইহন্নবা ইরান, ইন্দিয়া অমসুং অফগানিষ্টাননা পুন্না শেমগৎলিবা ইরানগী চাবাহার পোর্টকা য়ান্না নক্লনা লৈ।

লৈবাক অনীগী নেভিগী অপুনবা এক্সরসাইজ অসি মথঙ লাক্কদৌরিবা কয়াগী অহানবা অদু ওইরবা য়াই। মরমদি চিনা অমসুং পাকিষ্টাননা নেভি, আর্মি অমসুং এয়ার ফোর্সকী ওইবা অপুনবা এক্সরসাইজ পরিং অমা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়না চাইনিজ মিলিটরিগী ওফিসিয়েল ওইবা পাউ-চে পি এল এ (পিপলস লিবরেসন আর্মি) দেলিনা হায়রি। পাউ-চে অদুগী রিপোর্টতা অপুনবা এক্সরসাইজ অসি হৌজিক ওইরিবা রিজনেলগী হিরম অমত্তগা মরী লৈনদে অমসুং অতোপ্পা কনাগুম্বা অহুম শুবা পার্টি অমদা পান্দম থম্বা নৎতে হায়খি।

এক্সরসাইজ অসি হায়-লেবেলগী ষ্ট্রেটেজিককী ওইবা থাজনবা হেনগৎহন্নবগী অমনি হায়বা ইঙ্গিৎ পীদুনা এন্টি-সবমেরিন অমসুং সবমেরিন রেস্ক্যু ট্রেনিং য়াওগদবা চিনা অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা অহানবা অদুসুনি।

এক্সরসাইজ অদু পাকিষ্টানগী হিথাংফম সিটি করাচিদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখি অমসুং জনুৱারি ১৪ ফাওবা নোর্থ অরাবিয়ান সিদা পাংথোক্কনি। মসি চিনা অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৬শুবা জোইন্ট নেভেল এক্সরসাইজনি।

# পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স জেট ক্রাসতা পাইলোট ২ শিখ্রে

*লাহোর, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স (পি এ এফ)কী চিনানা শাবা ট্রেনর এয়ারক্রাফ অমা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা ক্রাস তৌখিবদা মদুদা য়াওখিবা পাইলোট অনীমক শিখ্রে।

রুটিন ওইনা ওপরেসনেল ট্রেনিং মিসন অমদা পাইখিবা পি এ এফ এফ টি-৭ এয়ারক্রাফ অমা লাহোরদগী কিলোমিটর ৩০০ লোম লাপ্পা মিয়ানৱালি মনাক্তা ক্রাস তৌখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা পি এ এফনা হায়খি।

স্কৱাদ্রোন লিদর হেরিস বিন খালিব অমসুং ফ্লাইং ওফিসার ইবার উর রেহমন-পাইলোট অনীমক ক্রাস অদুদা মখোয়গী পূন্সি মাঙখ্রে হায়না পি এ এফনা হায়খি।

এক্সিদেন্ট অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বা মরম অদু খঙননবা এয়ার হেদক্বার্টরসনা বোর্দ ওফ ইনক্বারি অমা ওর্দর তৌখ্রে।

প্লেন অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী পোকফম টাউন অমসু ওইরিবা মিয়ানৱালিগী অহাংবা মফম অমদা তারকখি। রেস্ক্যু টিমশিংনা মফম অদুদা থুংলখ্রে অমসুং হকচাংশিং অদু কম্বাইন মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে।

ওফিসিয়েল অমগী মতুং ইন্না ক্রাস অদু তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাইলোটশিং অদুনা ইজেক তৌনবগী তাঞ্জা অদু ফংখিদবা মাল্লি হায়খি।

# জয়পুর হোস্পিটালদা চাইনিজ ইক্যুপমেন্ট শিজিন্নবগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টরনা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে



*জয়পুর, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
চাওরাক্না থা অমগী মনুংদা অঙাং ১০০ হেন্না জে কে লোন চাইল্ড হোস্পিটালগী কোতা ব্রাঞ্চতা শিখিবা থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা জে কে লোন হোস্পিটালদা চিনানা শাবা ইক্যুপমেন্ট থল্লম্বা অদুগী মতাংদা রাজস্থান হেল্থ মিনিষ্টর রঘু শর্মনা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

মিনিষ্টরনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি -মেদিকেল এন্দ হেল্থ রোহিৎ কুমার সিংহদা ইনক্বারি অদু চথনবা অমসুং রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা হিরম অসি সুপ্নগী জয়পুরদা লৈবা জে কে লোন হোস্পিটাল অদুগী মতাংদনি হায়খি।

হৌজিক ৱাথোক ওইরিবা ইক্যুপমেন্ট অসি ব্লদ প্রেসর, হার্ট রেট অমসুং রেস্পিরেটরি রেট কুম্বা মরুওইবা পেরামিটরশিং ওন্নবগীদমক শিজিন্নবা মলটিপেরা মোনিটর অদুনি। মলটিপেরা মোনিটরশিং অদু মেদিকেল কলেজ অমগী খূৎথাংদা লৌখিবনি অমসুং ইক্যুপমেন্ট অদু করম্বা মতমদা লৈখি অমসুং মদুগী ক্বালিটি করিনো হায়বগুম্বা অককুবশিং খঙনবা হিরম অদু থিজিনগদৌরিবনি।

হোস্পিটাল অসিগী টেক্নিকেল কমিটি অমনা মথৌ তারিবা ইক্যুপমেন্ট অদুগী স্পেসিফিকেসনশিং পী অমসুং মেদিকেল কলেজ অদুনা প্রোকিওরমেন্টগী প্রোসেস অদু পাংথোকই হায়না হোস্পিটালগী লিখুলশিংনা হায়খি।

অহানবগী ওইনা হিরম অসি মফম অসিদা লৈরিবা জে কে লোন হোস্পিটালগী মতাংদনি অমসুং নুমিৎ ৩৭নিগী মনুংদা অঙাং ১১০ হেন্না শিখিবা জে কে লোন হোস্পিটাল, কোতা গুম্বা অতৈ হোস্পিটালশিংগী মতাংদা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি কোন্না খোমজিল্লকখিগনি হায়রি।

# সোমালিয়া পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা বোম টেকতা ৪ শিখ্রে



*মোগাদিসু, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুদা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট মনাক্কী চেকপোইন্ট অমগা য়ান্না নক্লনা ঙসি কার বোম অমা পোকখায়রকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং ১০ শোকখ্রে। এটেক অদু ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অল-সাবাবনা তৌবনি হায়না অল-কাইদাগা মরী লৈনবা গ্রুপ অসিনা ফোঙদোক্লককখ্রে।

হন্দক সোমালিয়াদা গ্রুপ অসিনা মীওই কয়া অমা হাৎখিবা অমসুং কেনিয়াদা য়ু এস বেজ অমদা এটেক তৌদুনা মখোয়গী থবক কনখৎলকখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা ঙসিগী এটেক অসি চথরকখিবনি।

চেকপোইন্ট অদু ফাওরগা চৎখিগদবনি হায়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খনখিবা গাড়ী অমদা এক্সপ্লোসিবশিং হাপ্লকখিবনি। অদুবু মহাক্না মদু তৌবা ঙম্লোইদবদগী বোম অদু পোকখায়হল্লকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অদান অবদুলাহিনা হায়খি।

সোমালি গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা চহী ১০ হেন্না লালহৌরক্লিবা অল-সাবাবনা চাং নাইনা মোগাদিসুদা এটেকশিং তৌরকখি। মীওই ৮১ শিখিবা দিসেম্বর ২৮গী মোগাসিসু কার বোম্বিং অদুগী মতুংদা ঙসি এটেক অসি চথরকখিবনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা য়ু এস মিলিটরিনা এয়ার এটেকশিং চখবা হেনগৎলক্তুনা মরান লৈতবা মীচমশিং হাৎলি হায়না অল-সাবাবনা ৱাসিংটনবু মরান শীখি। য়ু এস মিলিটরিগী এয়ারষ্ট্রাইকশিংনা এপ্রিল ২০১৭গী মতুংদগী সোমালিয়াদা এটেক ১১০দা মীওই ৮০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না অফ্রিকোমনা এপ্রিলদা ফোঙদোকখি।

# হাৎখ্রে থাজনখিবা নুপীমচাশিং হিংলি ঃ বিহার সেল্টর কেস



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৮(এজেন্সি)ঃ*
বিহারগী মুজাফরপুরদা সেলটর হোম অমদা হাৎখ্রবনি হায়না চিংনখিবা নুপীমচা ৩৫ হিংলি হায়না চহী ২রোমগী মমাঙদা লৈবাক শিনবা থুংনা অশাওবা পোকহনখিবা মাস সেক্স এসোল্ট কেস অদুগী অঙকপা অওনবা অমদা সি বি আইনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা সি বি আইনা পোলিটিকেলগী ওইনা য়ান্না ফজনা মরী লৈনবা সেল্টর অদু চল্লাইবা ব্রজেস থাকুর অমসুং মাগী ষ্টাফনা নুপীমচা ১১ হাৎখিরম্বা য়াই অমসুং শরু মপুল অমা ফংলে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা হায়খিবনি। অদুবু ঙসি সি বি আইনা মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসনদা স্কেলেটন ২ ফংখি অমসুং মদু নুপী অমগা নুপা অমগগীনি। অতৈ নহা অমত্তা হাৎখিবগী ইভিদেন্স ফংদে হায়না সি বি আইনা হায়খি।

হাৎখ্রে হায়না থাজনখিবা অঙাংশিং অদু কোন্না খোঙ্গুল লিদুনা ফংলে অমসুং হিংনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না সি বি আইগীদমক কোর্টতা কেস লেপ্লিবা এট্রোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি।

সি বি আইনা বিহারদা লৈবা সেল্টর হোম ১৭কী কেসশিং থিজিল্লকখি অমসুং কেস ১৩গী চার্জসিট অমা থাঙ্গৎখি। কেস ৪গীদি ইভিদেন্স ফংদবদগী ইনক্বারি অদু তোকখ্রে হায়না এজেন্সি অদুনা হায়খি।

চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্ট বেঞ্চ অমনা সি বি আই ষ্টেটস রিপোর্ট অদু ঙসি য়াখ্রে।

শক্তি লৈরবা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং ব্যুরেক্রেটশিং য়াওরম্বা অদু মীয়ামদা শাফোঙখিবা স্কেন্দল অদুদা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অদুদা নহা ওইরিবী নুপীমচাশিংবু নম্ফুদা জগোই শাহনখি, দ্রগ পীজখি অমসুং রেপ তৌখি।

কোর্ট হিয়ারিং অমদা পুথোক্লকখিবদা কেমেরাশিংদা মোমোন নোকশিনখিবা মরুওইবা এক্যুজ ব্রজেস থাকুরগী মথক্তা সি বি আইনা থাঙ্গৎখিবা চার্জসিটতা অতৈ মথোঙ চাদবা থৌদোক কয়ামরুম ফোঙদোক্লি।

টাটা ইনষ্টিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সেসনা চখবা সর্ভে অমদা সেক্স এব্যুজ কেস অদু খঙলকখিবনি।

সেক্স এব্যুজগী শিরিবা মরানশিং অদু কোর্টনা মোনিটর তৌরগা থীজিলহন্নবা জর্নেলিষ্ট নিবেদিতা ঝানা সুপ্রিম কোর্টতা পেটিসন অমা থাঙ্গৎখি।

ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিনা ষ্টেট অসিদা চহী অমামখাই শাংনা থিজিল্লকখিবদা সেল্টর হোমশিংগী মেনেজমেন্টতা অশোইবশিং অদুগীদমক দায়ত্ব লৌফম থোকপা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা বিহারগী নিটিস কুমার গভর্ণমেন্টতা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রবনি।

মথৌদা থৌশাদবা অমসুং সেল্টর হোমশিংগী মেনেজমেন্টতা তৌফম থোকপশিং তৌখিদবা ময়াম অদুগীদমক থবক লৌখৎলবা য়ারিবা ওফিসিয়েল ৭০ হেনবগী মনুংদা ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্ভিস (আই এ এস ) ওফিসার ২৫ য়াওরি।

সি বি আইগী রিপোর্ট অসিগী মতাংদা পাউখুম অমা থাঙ্গৎলক্নবা পেটিসনর অসিদা খঙহনখ্রে।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-352**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | | | | | 1 | 8 |
| 8 | 3 | | | | 1 | 2 | | |
| 6 | 1 | 2 | 9 | | | | | |
| | | 1 | 5 | | | | 9 | 2 |
| 2 | | | 8 | | 6 | | | 3 |
| | 9 | | 1 | 3 | | 8 | | |
| | | 8 | | 2 | 9 | 3 | | |
| | | | | 7 | 8 | | | 1 |
| | 2 | | | 1 | | | 8 | |

সনা-সুদোকু-৩৫১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 6 | 8 | 9 | 1 | 4 | 2 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 7 | 5 | 6 | 3 | 1 | 8 |
| 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 4 | 7 | 6 | 9 |
| 2 | 1 | 8 | 4 | 7 | 5 | 6 | 9 | 3 |
| 7 | 6 | 3 | 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 4 | 9 | 8 | 7 | 2 |
| 1 | 9 | 7 | 3 | 2 | 8 | 5 | 4 | 6 |
| 8 | 4 | 2 | 5 | 6 | 7 | 9 | 3 | 1 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 06/11/19
Sl. No. : 7080
Valid : 05/11/19
Sl. No. : 6371
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 05/11/19
Valid : 04/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**TDK Gas**
Booking : 24/10/19
Valid : 22/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**J Rongmei SK Indane**
Booking : 27/10/19
Valid : 26/10/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 15/11/19
Valid : 07/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Nongpok Sekmai indane**
Booking : Up to Date
Stk : 150
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane**
Booking : 18/11/19
Valid : 04/11/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**RBD Indane**
Booking : 13/11/19
Valid : 03/11/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Phayeng Indnae**
Booking : 12/10/19
Valid : 02/10/19
Stk. : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.